# অসামগী এন আর সী লিষ্টতা য়াওদবশিং লোন্না চঙশিল্লকপনি হায়না লৌগনি : অমিট শাহ



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
অসামগী নেনসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) দ্রাফ্ট লিষ্টতা য়াওদবশিং লোন্না চঙশিল্লকপা মীওইশিংনি হায়না ঙসি ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অমিট শাহনা মখা তানা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা সিবিল ৱার থোক্কনি হায়না ফোঙদোল্লি। লুচিংবী অদুনা এন আর সী অসিবু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবনি হায়বা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

হৌজিক অসামদা ফোঙলিবা এন আর সী দ্রাফ্ট লিষ্ট অদু ফাইনেল নত্তে। হায়রিবা লিষ্ট অদুদা মিং য়াওদবশিং কাঙলোন চুমদনা চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনি। মখোয়না ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ওইবগী মতিক চাবা চে-চাং পুথোকপা ঙমদ্রবশিংনি হায়খি।

করিগুন্বা ইন্দিয়ন সিটিজন ওইরবা মীওইশিংগী মিং লিষ্টতা হাপ্পমদবা তারবদি মীয়াম্নু লান্না লমজিংবনি হায়না লৌগনি। মিং য়াওরবসু সিটিজন অমা ওইবগী চে-চাংশিং পুথোকপা ঙমদ্রবদি লিষ্ট অদুদগী মখোয়গী মিং লৌথোক্কনি। এন আর সীগী ৱাফম অসি নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইবা অমনি। ওপোজিসন পার্টি খরনা পোলিটিক্স তৌদুনা মখোয়গী ভোট বেঙ্ক শেমগৎলব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু মরাল শিখি।

এন আর সী নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইনা তঙাইফদবা অমা ওইরে। ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইনা থৌরাংদি ঙমখৈ নীংথিনা ঙাক শেনবনি। সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং মপুং ফানা ঙাকপা হায়বদু বি জে পি লৈঙাক অসিগী ফিরেপনি। এন আর সীগী মতাংদা কোংগ্রেস পুথোক্লদুনা হায়, অসাম একোর্দ অদু কুমজা ১৯৮৪ গী ওগষ্ট ১৪ দা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীগা সাইন তৌনখিবনি। হৌজিক হংনিংলিবদি এন আর সীগী ৱাফম অসিদা করিগীদমক কোংগ্রেসনা ৱাহং কয়া পুখৎলিবনো। এন আর সীগী মফম অসি কোংগ্রেসকী মতমদগী হৌরক্লবনি হায়খি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মরাল শিরদুনা লুচিংবা অদুনা হায়, এন আর সীগী লিষ্ট ফোঙবদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা চমম্নবা থোকহন্নবা হোৎনরে। কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পার্টি কয়ানা অসামগী এন আর সীগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোল্লি। অসামনা বাংলাদেশতগী মীতোপ চঙশিল্লকপগী মতাংদা মশাগী ওইবা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌবনি হায়খি।

বি জে পিগী লুচিংবা অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি অদুনা মখা তানা হায়, এন আর সীগী থৌশিল খুদিংমক সুপ্রীম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎখিবনি। লিষ্ট শেম্বদা ট্রান্সপরেন্ট ওইবা প্রোসেস অমগী মখাদা চেকশিন্না শেমখিবনি। কোংগ্রেসনা এন আর সীগী মতাংদা ৱাহং হংলোইদবনি। অদুগুম্বা লিষ্ট অদু ফোঙবা অমসুং শেম্বদা মখোয়না য়ানিংদ্রিবগী মরম করিনো। ভোট বেঙ্ক শাগৎপগী ৱাখলদা ৱাফম অদু ফোঙদোল্লিবরা। এন আর সীগী মতাংদা কোংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকফম থোক্তে হায়খি।

# কেবিনেটনা জি এস টি লো এম্মেন্দ তৌবগী অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
যুনিয়ন কেবিনেটনা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) লো শেমদোকপগী অয়াবা পীখ্রে। শেমদোক্লবা লো অদুনা পোৎলম খরদা লৌবা টেক্সশিং হেনগৎহল্লবা য়াই। লোয়নন্না স্কিম দিল্লরশিংগী থ্রেস হোল্ডসু হেনগৎহনগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা সেন্ট্রেল জি এস টি লো, ইন্টিগ্রেটেদ জি এস টি লো, কম্পেন্সেসন সেস লো শেমদোকপগী বিলশিং অদু চৎলিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম অসিদা পুথোক্লগনি হায়রি।

জি এস টি লো শেমদোক-শেমজিন তৌরগনি হায়বদু ময়েক শেংলে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা ঙসি কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিদা জি এস টি চৎনরকপনা লৈঙাক্কী শেল-থুমগী ফীভমদা ফগৎহনবগা লোয়নন্না অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখ্রবনি। হৃদক অমুক চৎনখ্রবা জি এস টি লো অদুগী শরুক খরা শেমদোক-শেমজিন তৌরগনি। চীঙাক, ট্রান্সপোর্ট অমসুং ইন্সুরেন্সকী মতাংদা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা ইনপুট টেক্স ক্রেদিট ক্লেম তৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরগনি। লো অদুগী পোইন্ট ৪৬ তা শেমদোক শেমজিন তৌরবা য়াই হায়রি।

শেমদোকপা অদুনা রিভর্স চেঞ্জ মেকানিজমদসু অহোংবা লৈহনগনি। তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা তোঙান তোঙানবা বিজিনেস তৌনবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তোঙান্না তৌগদবনি। দেবিদ-ক্রেদিট, ইন্সুরেন্স, ইনকম টেক্স রিটর্ন তৌবগী কাঙলোনশিং, রেজিষ্ট্রেসন ককথৎপা নৎত্রগা তৌহনবগী মতাংদসু শেমদোক শেমজিন তৌগনি হায়রি।

জি এস টি চৎনহল্লকপগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা মীয়ামদা পোৎলুম অমা ওইহল্লে হায়না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি জি এস টি লো চৎনরকপনা লৈঙাক অমসুং মীয়ামদা চাউনা কান্নহল্লে। মখল কয়াগী টেক্স লৌরম্বা অদু টেক্স অমখক্লা মহুৎ শিনবনি হায়রি।

# সব্রিমালা লাইশঙদা নুপী চঙহন্দবগী কেস রিজার্ব তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
কেরলাগী সব্রিমালা লাইশঙদা নুপী চঙবদা অথিংবা থল্লিবা অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেসকী ৱায়েল সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

চহী ১০ দগী ৫০ ফাওবদা লৈবা নুপীশিং সব্রিমালা লাইশঙদা চঙবা য়াহন্দ্রিবা অদুগী মতাংদা এক্টিভিষ্ট কয়ানা কেস অদু থাঙ্গৎলকখিবনি। সুপ্রীম কোর্টকী জষ্টিস দিপক মিশ্রাগী জজ মঙানা শাবা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চনা ঙসি মায়কৈ অনীমক্কী ৱা তারবা মতুং কেস অদুগী ৱায়েল লাউথোক্তনা রিজার্ব তৌদুনা থমখি। মায়কৈ অনীমক্লা কেস অদুগা মরী লৈনবা চেরোলশিং নুমীৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা পীরক্লবসু খঙহনখি।

কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, কেস অদুগী ওর্দর লাউথোক্লগনি। অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনদি রিজার্ব তৌদুনা থল্লে হায়খি। নাকল অনীমক্কী উকিলশিংনা অইবা সবমিসন অমসুং কম্পাইলশিং নুমীৎ তরেৎনি নৎত্রগা মদুগী মমাঙদা পীশিল্লক্কদবনি হায়নসু জষ্টিস আর এফ নরিমা, এ এম খান ৱিলকর, টি ৱাই চন্দ্রচুর অমসুং ইন্দু মালহোত্রা য়াওবা বেঞ্চ অদুনা খঙহনখিবনি হায়রি।

# মরাথা কোটাগী খোঙজং কনশিল্লক্লি, মুম্বাইদা ঙসি মীয়াম্না জেল চঙসি হায়বা খোঙজং চঙশিনখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রাদা মরাথা ক্রান্টি মোর্চানা মরাথা কাঙলুপতা মহৈ-মশিন, লৈঙাক্কী থবক চঙবদা খুদোংচাবা পীযু হায়না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী অতোপ্পা ফেজ অমা ওইনা ঙসি জেল ভরো অন্দোলন চঙশিনখ্রে।

মরাথা ক্রান্টি মোর্চানা লুচিংদুনা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না মুম্বাইগী অজাদ মৈদানদা জেল চঙলসি হায়বা খোঙজং অদু হৌদোকখি। খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিংনা মরাথা কাঙলুপতা কোটা পীনবা ৱারেপ অথুবা তমমদা লৌগদবনি। খোঙজং চঙশিনবশিংগী মথক্তা লৌখৎলিবা কেস পুম্নমক হন্দোক্কদবনি। জুলাই ২৫ দা খোঙজং চঙশিনবা মীওইশিংগী মথক্তা ফু-চৈথিবা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চেন্নবা ওফিসর-শিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। মরাথাগী খোঙজংদা রেস্পোন্সিবল য়াওদবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং ফম থাদোক্কদবনি। নৎত্রগা লৈঙাক্লা মিনিষ্টরদগী লৌথোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।



মরাথা কাঙলুপতা খুদোংচাবা পীযু হায়বা অদুদা নত্তনা লৌমীশিংগী লোন কোকথোকপীগদবনি। লোয়নন্না কোপার্দি রেপ কেসতা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়নসু তকশিনখি। হৌজিক খোঙজং চঙশিনবা মীওই চা কয়ানা পুনে, সোলাপুর হায়ৱে থিংজিনখ্রে। অজাদ মৈদানদা মশিং য়াম্লবা মরাথা এক্টিভিষ্টশিংনা জেল চঙলসি হায়বা অকনবা খোঙজং চঙশিনবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

খোঙজং অদুগী অতোপ্পা মায়ওন অমা ওইনা মরাথা মীয়াম্না জেল চঙলসি হায়বা খোঙজং অদু ঙসিদগী চঙশিনবা হৌখিবনি। মরাথা ক্রান্টি মোর্চাগী কনভিনর বিরেন্দ্র পৱারনা হায়, মুম্বাইদা হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু মায় পাকপা অমনি। নাসিক, পর্ভানি, সোলাপুর অমসুং কোলহাপুরদসু মখা তানা খোঙজং চঙশিল্লি হায়খি। ঙসি অয়ুক অজাদ মৈদানদা এক্টিভিষ্ট লিশিং কয়ানা মরাথা কাঙলুপতা থবক চঙবা অমসুং মহৈ-মশিনগী লমদা খুদোংচাবা পীগদবনি হায়বা অকনবা খোল্লাউসু লাউখি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশকী রেপ কনভিক্ট অমা কোর্টতগী নাম্থোকখ্রে

বরৱানি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশকী বরৱানি দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেনবা কোর্ট অমদগী রেপ কনভিক্ট অমা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অদুনা মীওই অদু পীক্লিবা অঙাং অমা ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগী মতাংদা মরাল লৈরে। মহাক চহী ১০ জেলদা লৈগদবনি লোয়নন্না পেনাল্টি ওইনা লুপা লিশিং ৭ ফাইন থিগদবনি হায়না ৱায়েল লাউথোকখিবগী মতুংদা মীওই অদু কোর্ট রুমদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি।

ৱায়েল অদু হেক লাউথোরকপগা থাজদবা মওংদা মীওই অদুনা কোর্ট রুমদগী চেন্থোকখিবনি। সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা মীওই অদু ফাবা ঙমহৌখিদে। কোর্টতগী মরাল লৈরবা মীওই অমা চেনখিবা হায়বদু হকচিন্না লৌবা য়াবা থৌওং অমনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না বরৱানি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লোকেল কোর্ট অমদগী মরাল লৈরবা মীওই অদু ঙরাং নুমীদাংৱাইরম নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি। ওফিসলশিংনা থৌদোক অদু হকচিন্না লৌবগা লোয়নন্না মরাল লৈরবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফাগদবনি হায়না খঙহনখ্রে। চহী ২৮ শুরবা বিজয় সোলানকি কেস অদুগা মরী লৈনন্না ফারুরবা মতুং বেল লৌদুনা লৈবনি। ঙরাং নুমীদাংৱাইরম নুপীমচা অমা ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগী কেস অদু লোকেল কোর্ট অদুদা হিয়ারিং চৎথখি। মীওই অদু মরাল লৈরে হায়বগা লোয়নন্না চহী ১০ জেলদা লৈনবা কোর্টনা য়াথং পীরকপগী হেক মতুংদা কোর্ট রুমদগী মহাক চেন্থোকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফাননবা হোৎনবদা ঙমহৌখিদে। কোর্ট এমপ্লোয়ীশিংনা পুলিসতা কনভিক্ট অমা নাম্থোকখিবগী মতাংদা ৱাকৎলকখ্রে হায়না ষ্টেসন ইন চার্জ রাজেস যাদবনা ফোঙদোরক্লি।

বিজয় সোলানকি কৌবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফাননবা থি-হুম্বগী থবক চথুগদবনি হায়না য়াথং পীখ্রে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না বিজয় সোলানকি হায়রিবা মীওই অদু কুমজা ২০১৫ দা পীক্লিবা নুপীমচা অমা ঈকায় খুম্নবা মাংহনখিবগা মরী লৈনন্না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী রাজপুর পুলিস ষ্টেসন্না ফাগৎখিবনি হায়রি।

# জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্টশিং এক্টিব ওইবা লৈতে : সেন্টর

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ইস্লামিক ষ্টেট জম্মু অমসুং কাশ্মির (আই এস জে কে) এক্টিব ওইবা লৈতে হায়না হোম এফেয়রস মিনিষ্ট্রিনা ঙসি রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা লমহেন-তুহেনবা মওংদা লোগী মায়োক্তা এন্টি সোসল এলিমেলশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফিরাল অমসুং পাকিষ্টানগী ফিরাল হাইবগী মতাংদা লোগী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু হোম এফেয়রস মিনিষ্টর (ষ্টেট) হন্সরাজ অহিরনা ফোঙদোকখ্রে।



লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবকা অসিদা চৎনরিবা লোগী মখাদা এন্টি সোসল এলিমেলশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট নৎত্রগা পাকিষ্টানগী ফিরাল পাইহনবগী মতাংদা কুমজা ২০১৫ দা কেস নিপাল লৌখৎখি। কুমজা ২০১৬ দা কেস ৩১ অমসুং কুমজা ২০১৭ তা কেস ৫ লৌখৎখি। লোগী মতুংইন্না অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। চৎলিবা চহী অসিগী জুন ২২ দা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সকী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইনা আই এস জে কে টেররিষ্ট মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা লৈখ্রে। হাৎখ্রবশিং অদুগী মনুংদা লোনা থিংখ্রবা আই এস জে কেগী লুচিংবা য়াওখ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী অন্তনাথকী মনুং চনবা খিরাম লমদমদা সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা আই এস জে কে টেররিষ্টশিং অদু হাৎখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৌজিক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস)দা এফিলিয়েট তৌবা আই এস জে কেগী লুচিংবা দাউৰুট অহম্মদ সোফিসু সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রে। মহাক জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ঈরাং শাগৎতুনা সিক্যুরিটি ফোর্সতা নুং থোমজিনবা অমসুং মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

# দোক্লামগী ৱাথোক দিপ্লোমেটিক্কী খুত্থাংদা ৱারোইশিন পুরকখিবনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
দোক্লাম লমদমদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংগী মরক্তা চাউনা উংখৎনখিবা অদু দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌশিল পায়খৎতুনা ৱারোইশিন পুরকখিবনি। অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনখিবনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লোক সভাদা লুচিংবী অদুনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিং ৰুহান্দা ইনফোর্মেল ওইনা মীফম পাঙথোকখিবা লৈখি। মদু লৈবাক অনীগী মরক্তা অমনা অমবু থাজবা হেনগৎহন্নবা য়াওনা পান্দম অহুমদা মীৎয়েং থমদুনা ৱারী শানখিবনি।

অমাঙ-অতা অমত্তা থোকহন্দনা দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌশিল অমগী মখাদা দোক্লাম ৱাথোক লোইশিন-খিবনি। অদুগুম্বা ফীভম অদুদা হৌজিক অহোংবা লৈতে। কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ২৮ দা লৈখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংসু নীংথিনা লোইশিনবা ঙমখি হায়না লুচিংবী অদুনা ঙসি ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৰুহান্দা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং সী জিনপিং উনখিবা অদু এজেন্দা থমদুনা উনখিবা নত্তে। ইনফোর্মেল ওইনা লুচিংবা অনী উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা অমসুং অমনা অমবু থাজবা হেনগৎহন্নবা খন্নখিবনি হায়রি।

মীফম অদুগী মমাঙদা লৈবাক অনীগী ফোরেন মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শানখিবসু লৈখি। লোয়নন্না লুচিংবা অনীনা উনগদবা অদু অকক্লবা ইস্যু অমদা ওইহন্দনবসু য়ানখিবা লৈখি হায়রি। ৰুহান্দা উনখিবা অদুনা চপ চাবা ৱারেপশিং লৌখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক লৈবাক অনীগী মরীদা ফগৎহন্নবদি হোৎনখি। অমনা অমবু থাজনবা হায়বনচিংবা হিরম অহুমদা য়ুম্ফম ওইদুনা ৱারী শানখি। মদুগী মতুং চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্টরগা ৱারী শানদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্লনবগী থৌশিলশিংসু খন্নখি হায়রি।

# সিটিজন লিষ্টনা বাংলাদেশকা লৈনবা মরীদা অকায়বা থোকহনগনি : মমতা বেনর্জি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
অসামগী নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) গী দ্রাফ্ট বিল ফোঙদোক্লকখিবা অদুনা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মরক্তা লৈনরিবা মরীদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ৩০ দা ফোঙখিবা এন আর সীগী দ্রাফ্ট লিষ্টতা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীওই লাখ ৪০ রোমগী মিং য়াওদে। ফীভম অদুনা মীওই কয়াদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী অসামদা লৈবা মীওই কয়াগী মিংসু হায়রিবা দ্রাফ্ট লিষ্ট অদুদা য়াওরক্তবগী ৱাফম লৈরে।

বাংলাদেশকা ইন্দিয়াগা লৈনবা মরীদা এন আর সীনা চাউনা অকায়বা থোকহনগনি হায়না মমতা বেনর্জিনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী মতায়দা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখি।

মমতা বেনর্জিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী মীওই ৮৩৩ অসামদা লৈরি। মখোয় মুর্সিদবাদ দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি।



মীওইশিং অদু অসামগী জেলদা লৈরিবনি। বি জে পিনা অসামদা মখোয়গী ফীভম ফগৎনবা থৌওং অমা ওইনা এন আর সী শীজিন্নরি। মখোয়না অসামদা ভোট বেঙ্ক পোলিসী চথরি। এন আর সীনা মালেমগী ওইনসু অকায়বা থোকহনগনি। ঙমখৈ পরিংশিং ঙাক শেনবা হায়বদু সেন্টরগী মথৌনি। সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মীওই কয়া য়াম্লা ঙমখৈ লান্না কাঙলোন চুমদবা মওংদা চঙশিনখ্রবগে হায়বদু উরিবনি। ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লকপা মীওইশিংগী য়েংলগা থবক তৌবদা ইচম চমজবা কয়াদা অৱাবা নংহল্লে। ওপোজিসন পার্টি খুদিংমক্লা দেলিগেসনশিং অসামদা থাদুনা ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিনগদবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, অসাম লৈঙাক্ল দি ফোঙলিবা দ্রাফ্ট বিল অদু অরোইবা নত্তে। মরী লৈনবা চে-চাংশিং উৎতুনা অসামগী সিটিজন অমা ওইনবা ক্লেম তৌবা য়াগনি হায়রি। অসামদা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংবা হায়বদু লৈঙাক্কী থৌদাং ওইগনি হায়রি।

# নেপালি নুপী ১৬ কনখ্রে ইন্টরনেসনল প্রোষ্টিট্যুসন থুগায়খ্রে



বরানাসি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্টরনেসনল প্রোষ্টিট্যুসন রেকেট থুগায়দুনা নেপালদগী নুপী ১৬ য়াওনা নুপী ১৮ কনখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়নন্না বরানাসি ক্রাইম ব্রাঞ্চ অমসুং দিল্লি পুলিসকী অপূনবা খুৎপু অমনা দিল্লিগী বসন্ট বিহার পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা লৈবা য়ুম অমদা থি-হুম্বগী থবক চথুখি। নুপীশিং অদু য়ুম অদুগী মনুংদা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি। অথুবা মতমদা মখোয় গল্ফ লৈবাকশিংদা পুখিনবা হোৎনরমখি। মফম অদুদগী পুলিসনা রেকেট অদুগী মরুওইবা মীওই অহুমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না নেপালি নুপীশিং অদু থবক পীগনি হায়না থাজহন্দুনা পুরকখিবনি। মখোয় উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা অহানবা ওইনা থুংলন্নবা মতুং দিল্লিদা পুখিবনি হায়রি।

জুলাইগী অহানবা চয়োলদা খুৎপু অদুগী মখুৎতগী নেপালি নুপী অনীদি নাম্থোকহৌখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নেপাল এম্বেসিদা পাউ খঙহনখ্রে। নেপাল এম্বেসিনা পাউ পীরকপদগী বরানাসি পুলিসনা মমাঙ চয়োলদা টেম্পল টাউনগী মফম কয়াদা রেইদ চথুখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# নৌনা মীওই ১৪ শিরে, নোংগা মরী লৈনবদা শিবা ১০৬ শুরে




লক্ষনৌ, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মীওই ১৪ গী পুন্সি মাংখ্রে অদুগা তরেৎনা অশোক অপন নংখ্রে। মমাঙ চয়োলদগী হৌনা ষ্টেট অদুদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমসুং নোং চুবনা মরম ওইদুনা থোকহল্লকখিবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীগী মশিং পুন্না ১০৬ শুখ্রে। উত্তর প্রদেশতা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। লোয়নন্না তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ফারুকবাদ অমসুং বহরাইচতা ঙরাং মীওই ২/২ শিখি। রাইবরেলি, খেরি, লক্ষনৌ, কান্দপুর, দেহা, বরাবানকি অমসুং সিতাপুরনচিংবা মফমশিংদসু মীওই অমমম শিহনখ্রে হায়রি।

মমাঙ চয়োলদগী হৌনা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই কয়া শিবা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশিবা মীগী মশিং ১০৬ শুখ্রে। অদুগা অশোকপা মশিংনা ১০০ হেনখ্রে হায়রি। নোংলৈ-নুংশিৎ অমসুং নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ুম ৬০০ মাঙ-তাকখ্রে। লোয়নন্না শা-ষন ৮০ রোমগী পুন্সিসু মাংখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা সিনিয়র ওফিসলশিংদা অকনবা য়াথং পীখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবসু খঙহনখ্রে। খুদোংথিবা নংলবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিন্নবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনখি। নোংলৈ-নুংশিৎ অমসুং নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা নৎত্রগা নীংখায়রকপা য়াবা বিল্ডিংশিং মশক খঙদোক্তুনা মফম অদুদা মীওই খুদিংমক শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহন্নবসু খঙহনখ্রে হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙ-লোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ষ্টেট অমা দিমান্দ তৌরকপগী ৱাফম ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরি



বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী অৱাংথংবা শরুক্তা তোঙানবা ষ্টেট অমা শেম্নবা দিমান্দ তৌরকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা হায়, লৈঙাক অসিনা হৌজিক ওফিস কয়া লমদম অদুগী সুবরনা বিধানাদা হোংননবা খন্নরি।

অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা মীওইশিংনা মখোয়বু তোঙান তাহনপীরে হায়না খল্লিবা ৱাখল অদু কোকহন্নবা হোৎনরি। লৈঙাক্লা অৱাংথংবা শরুকশিং অদুবু চাউখৎহন্নবা অকনবা থৌশিল কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি। লমদম অদুদা তোঙানবা ষ্টেট অমা দিমান্দ তৌরকপা অদুনা পোলিটিক্সকী লমদা শাফু অমা পীরকপগা লোয়নন্না অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। মথংগী লোক সভা মীখল লাকপগা লোয়নন্না পোলিটিকেল পার্টি খরনা খুদোংচাবা ফংননবা লৌতুনবগী থৌওং অমনি হায়নসু লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখ্রে।